

*ইটালিগী ফুটবোল ক্লব রোমাদা চহী ৩০ হেন্না শান্নরোই অমদি দাইরেক্টরগী থৌদাং লৌরম্লবা মতুং ক্লব অসি থাদোক্লগদবা ফ্রান্সেস্কো টোট্টি*

*পেবল বিচতা পাঙথোকখিবা ২০১৯ গী য়ু এস ওপন গোল্ফ টুর্নামেন্টকী ট্রোফি লৌখ্রবা য়ু এস এগী গোল্ফর গেরি বুদলেন্দ*



## আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ঃ সাকিবকী সেঞ্চুরিনা বাংলাদেশনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে







*মেঞ্চেষ্টর, জুন ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ২৩শুবা মেটচতা সাকিব অল হাসনগী সেঞ্চুরিনা বাংলাদেশনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস বাংলাদেশনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩২১ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ওপনর খৃস গেল রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা সাই হোপ অমদি অতোপ্পা ওপনর ইভিন লেৱিসনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্শিপ অমা শেমদুনা টিমগী অপুনবা স্কোর অদু ১০০ লাম্ভোকহনবা ঙমখি।

টিম অসিগী ওপনর ইভিন লেৱিসনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৬৭ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৭০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা নিকোলাস পুরানসু টিম অসিগী অপুনবা স্কোরদা রন ২৫ হাপচিল্লমখি।

সাই হোপনা বোল ১২১ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৯৬ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন সিমরোন হেটমেয়রসু রন ৫০ লৌরমখি। কেপ্টেন জে সন হোল্ডরগী রন ৩৩ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

বাংলাদেশকী বোল্লিংদা মোহমদ সাইফুদ্দিন অমদি মুষ্টাফিজুর রহমননা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৩ / ৩ আওট তাহনবা ঙমখি।

মায় পাক্লবগী রন ৩২২ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু বাংলাদেশনা ৪২শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখি।

বাংলাদেশকী ওপনর টামিম ইকবাল অমদি সৌমিয়া সরকার মথংশিংনা রন ৪৮ অমদি ২৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সাকিব অল হাসননা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৯৯ দা ফোর ১৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১২৪ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

৯শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা লিটন দাসসু য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ৬৯ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৯৪ লৌরমখি।

## জপানগী ওসাকা অমদি সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা ৱিম্বলন্দনগী মাঙওইননা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরি

*পেরিস, জুন ১৭(এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসননা ঙসি থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা জপানগী নাওমী ওসাকা অমদি সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ৱিম্বলন্দনগী মাঙওইননা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙমখ্রে।



জপানগী নাওমী ওসাকা চয়োল ২১ দগী মমাঙদগী দব্লিয়ু টি এগী রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান পোজিসন ওইদুনা লাকখিবনি। ওসাকানা মথং থাগী ১ দগী লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওনা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলন্দনগী শেম শাবা ওইনা চয়োল অসিদা ফ্রেন্স ওপনগী ৱিন্নর ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিগা প্রেক্টিষ্ট মেটচ ওইনা শান্নগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস রেঙ্কিং অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি পুন্না পোইন্ট ৬৩৭৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই কেরোলিনা প্লিজকোভানা পোইন্ট ৬১২৫ দা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবর, রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমদি অমদি দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকী মথংশিংনা ৬শুবা, ৮শুবা অমদি ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরি।

অমেরিকাগী শান্নরোই এলিসন রিস্কে নেদরলেন্দসতা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখিবদগী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা হান্না লৈরম্বা পোজিসন্দগী থাক ১২ হাইগৎলগা ৪৯শুবা পোজিসনদা কাখৎপা ঙমখি।

এ টি পি রেঙ্কিংদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা চয়োল ৩৩ মমাঙদগী লেপ্তুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা অদুমক লেঙদনা লৈবা ঙল্লি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা অনীশুবা মফম কনবা ঙল্লি।

ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদালগী মখুত্তা মায়থিহৌবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

নুপাগী সিঙ্গলস রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা পুন্না পোইন্ট ৪৬৮৫ ফংদুনা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি।

গ্রিসকী শান্নরোই ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা পুন্না পোসন্ট ৪২১৫ ফংলগা ৬শুবা মফম কনবা ঙল্লি। জপানগী কৈ নিসিকোরিনা পোইন্ট ৪০৪০ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি।

এ টি পি রেঙ্কিংদা মমাঙদা থাক ৱাংনা লৈরম্বা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক মমাঙদা শান্নখিবা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিংদা পার্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদবদগী থাক য়াম্না হন্থদুনা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। রুশিয়াগী কারেন খাচানোভ ৯শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## কোপা অমেরিকাদা উরুগ্বেনা ইক্কাদোরবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, পারাগ্বে অমদি কাটার ২–২ দা ড্রো চৎখ্রে

*বেলো হোরিজেন্টে, জুন ১৬(এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা উরুগ্বেনা ইক্কাদোরবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, পারাগ্বে অমদি কাটার পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎখ্রে।



*উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা উরুগ্বেনা ইক্কাদোরবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা ইক্কাদোরগী শান্নরোইশিংদা অহেনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই নিকোলাস লোদৈরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা পাঞ্জল শোখদুনা লৈরিবা ইক্কাদোরগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা ইক্কাদোরগী শান্নরোই জোস ক্বিন্টেরোস চৎন–পৎথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবগীদমক মেটচ কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাদ্থোকখিবদগী ইক্কাদোরগী শান্নরোই ১০খক ঙাইহৌখি।

ইক্কাদোরগী শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌরদুনা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা অকনবা মওংদা এটেক চথবা হৌরকখি। মেটচকী ৩৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই ইদিসন কভানিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমখক্তা ঙাইরবা মতমদা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা লুইজ স্বারেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা উরুগ্বেনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদদি শান্নরোই অমা ৱাৎলবা ইক্কাদোরগী মায়কৈদা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা বোল পুশিন্নবা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা ফজবা ঙমখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইক্কাদোরগী শান্নরোই অরটুরো মিনানা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা উরুগ্বেনা ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু উরুগ্বেনা ইক্কাদোরবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মপুম ওইবা পোইন্ট ৩ ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পারাগ্বে অমদি কাটার পাঞ্জল ২–২ দা মান্নরগা লোইশিনখি।

মেটচ হেক হৌরকপা মিনট ৪ চৎপদা পারাগ্বেনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই ওস্কার কার্দোজোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা পারাগ্বেগী শান্নরোই দরলিস গোঞ্জালেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা কাটারগী শান্নরোই অলমোজ আলিনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা কাটারগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পারাগ্বেগী শান্নরোই রোদ্রিগো রোজাসনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## ইন্দিয়াগী পেদ্দলরনা ব্রোঞ্জ অনী লৌখ্রে

*টাইকান, জুন ১৭(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা পেদ্দলরশিংনা চাইনা জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপনদা ব্রোঞ্জ মেডল অনী লৌখ্রে।

জুনিয়র বোইজ কেটেগোরিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী মনুস সাহ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী শান্নরোই কাইয়ুৱান ক্বানগী মখূত্তা য়াম্না শোখনা গেম ০–৪ (৪–১১, ১০–১২, ৭–১১, ৪–১১) দা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী মনুস সাহনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোই য়ুটো অবেবু মায়থিবা পীরম্লগা মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র গালর্স দবলসকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র স্বাষ্টিক ঘোস অমদি প্রাপ্টি সেনসু চাইনাগী পেয়রগী মখূত্তা গেম ০–৩ দা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌবনি।


MARU BARBER

MARU Men's Only Barber Shop Estd. 2018

NH2 MALOM TULIYAIMA
NEAR OIL DEPOT-795003

8837335122
MARU BARBER

We the staffs of MARU BARBER shop warmly welcoming all the customers. Please get an experience of stylish, hygienic work with a good hospitality.

Men's only

Timing 7am-7pm

*Special discount on facial for Grooms only

SL/4930/15 days14/6/19


## ইন্দিয়ান ৱুমেন্স ফুটবোল টিম কেম্পকীদমক বলা দেবী কৌখৎলকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৭(এজেন্সি)ঃ*

এ এফ সি ৱুমেন্স এসিয়ান কপ ২০২২ ক্বালিফায়রদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই খন্নবগীদমক মণিপুরগী বলা দেবী ইন্দিয়ান ৱুমেন্স ফুটবোল টিম কেম্পকীদমক ওল ইনিদয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না কৌখৎখ্রে।



নীংশিংবা য়াই বলা দেবী য়াওনা মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই ৭ মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদগী হৌরগা টিম অসিগী কোচ মেমোল রোক্কী অমদি এসিষ্টেন্ট কোচ চাওবা দেবীগগী মরক্তা মত খেন্নবা লৈরকপদগী ইন্দিয়াগী নেসনেল ৱুমেন্স ফুটবোল টিম অসি মখোয় ৭ না বোইকোট তৌদুনা লাকখিবনি।

মখোয় ৭ কী মনুংদা বলা দেবী মথং থাগী ১ দগী ১৭ ফাওবা এ এফ সি ৱুমেন্স এসিয়ান কপ ২০২২ গী মাঙওইননা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রিপেরেটরি কেম্প অসিগী মমিং লাওথোকপদা য়াওরকখিবনি। নেসনেল কেম্প অসিদা শান্নরোই ৩০ না শরুক য়াগনি।

পনবা য়াই, বলা দেবী হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগতা মণিপুর পুলিস এস সিদা শরুক য়াখিবদা মেটচ ৭ শান্নবদা গোল ২৬ চন্দুনা টোপ স্কোরর ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান ৱুমেন্স ফুটবোল টিম কেম্পকীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোই ৩০ অসি জুলাই ১ দা কেম্প পাঙথোকফম ওইরিবা ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1198/SDC/IW(C) dt. 15/06/2019

Khuraijam Kheleshwar Singh S/o (L) Ibohal Singh of Khagempalli Panthak

Petitioner

-Vs-

(Late) Khuraijam Ibohal Singh S/o (L) Kh. Ningthou Singh of Khagempalli Panthak Nganapithong Mapal

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 17 / 6 / 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Khuraijam Ibohal Singh পীং (L) Kh. Ningthou Singh সাং Khagempalli Panthak Nganapithong Mapal গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 42-Keishamthong গী অনৌবা পাট্টা নম্বর 3492 অরিবা পাট্টা নং 471 দাগ নং 1078 অমসুং এরিয়ানা .02110 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

SL/4948(2)/18

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central





"8TH"
BIRTHDAY
"18TH JUNE 19"

HAPPY BIRTHDAY
TO DEAR
INDRAKUMAR SAIKHOM

SON OF
S. DHAMENDRA & PRATIMA
LAMBOI KHONGNANGKHONG

SL/B (D)/18


ꯑꯣꯐꯁꯦꯠ/ꯑꯣꯐꯁꯦꯠ ꯁ꯭ꯛꯔꯤꯟ ꯄ꯭ꯔꯤꯟꯇꯤꯡ

M/S IMPHAL PRESS
Screen Printing & Rubber Stamps Works

Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI

Lengsinbirakshi

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal
* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 8974359246

SL/4918/P/30 days-12-6


ক্রোসৱার্দ ১৯২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | O | L | L | S | | M | A | L | I | | T | E | S | T |
| E | L | I | O | T | | I | V | A | N | | O | D | O | R |
| F | I | N | G | E | R | N | A | I | L | | M | A | L | E |
| E | V | E | | P | E | T | | R | U | N | A | M | O | K |
| R | E | S | C | U | E | | A | S | C | O | T | | | |
| | | | E | P | C | O | T | | K | N | O | C | K | S |
| T | O | R | N | | H | O | L | D | | O | P | R | A | H |
| A | L | O | T | | O | P | E | R | A | | A | O | N | E |
| C | L | U | E | D | | S | A | I | L | | S | P | E | D |
| H | A | T | R | E | D | | S | P | L | A | T | | | |
| | | | P | L | A | N | T | | E | V | E | N | S | O |
| G | E | N | U | I | N | E | | A | G | E | | O | A | F |
| O | R | A | N | | G | A | R | T | E | R | B | E | L | T |
| D | I | S | C | | E | T | A | T | | T | E | N | S | E |
| S | E | T | H | | R | H | E | A | | S | E | D | A | N |